ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

উত্রাগী ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা অমদি লাইনিংথৌ নোংশাবা অনীগী লাইমাংদা পাখংবা চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা খুন্নাইসিবু ঙাকপী শেনবীনবা থৌনীখিবা

লামায় ৬

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিটকা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ঈ কৎপগী কেম্প

লামায় ৬

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চথরিবা লোকদাউননা অৱাবা নংলবা তম্পাক্কী ইচিল-ইনাওশিংদা মতেং ওইননবা উখ্রুলগী কাংখুই ভিলেজতগী টিম অমনা ইপসাদা মনা-মশীং খূদোল তল্লমখিবা

লামায় ৩

অমুকোনা শোখরবশিংদা চেঙ য়েন্থোক্লিবা অসিদা মতেং ওইননবগীদমক ন্যু ইকনমিক ইভোল্যুসন ওফ দি ৱর্ল্ডগী টিমনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংলমখিবা

লামায় ৫

Vol. 44, Issue No.043 ইরাই, কালেনগী ১৬নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Friday, May 08, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

মণিপুরগী ২শুবা কেস ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরুবদগী ফগৎলক্তুনা নেগেটিভ ওইখ্রবা অব্দুল রহমন উনরুবগী পাউদম

‘চেকশিন-থৌরাংশিং ঙাক্লা চৎলবদি কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীবা ঙমগনি’

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস): মীয়ামগী পূন্সি কন্নবগীদমক লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং মীপূম খূদিংমক্লা ঙাক্লা চৎলবদি তমথীরবা কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়না লায়না অসি নারুবদগী ফগৎলকখ্রবা লিলোং তুরেল অহনবীদগী অব্দুল রহমননা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী অনীশুবা কেস ওইনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবদগী রিমস হোস্পিটালদা লায়েংলক্লবা মতুং হকচাংগী ফীভম ফগৎলক্তুনা নেগেটিভ ওইখ্রবা মশাগী চহী ৫৩ শুরবা অব্দুল রহমনগা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা মহাক্না হায়খি, কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি মীয়াম্না কিবা তৌবীগনু। লায়না অসিবু থেংননবা হোৎনবদা ঐখোয় অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা চেকশিন্না লৈবা মথৌ তাই। লায়না অসিনা নাবদগী নুমীৎ ২১নি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী আইসোলেসন ৱার্দতা লৈদুনা লায়েংখিবা মতমদা অৱাৎপা অমত্তা লৈহনবীখিদে। রিমসকী দোক্টরশিং, নর্সশিং, মেদিকেল ষ্টাফশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না কুপ্না শেন্নবীবদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা অদু ফগৎলক্তুনা নেগেটিভ ওইবা ঙম্লকখিবনি। মমাংদা সুগরগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরম্বা অমদি লায়না কয়া নারম্বা অদুসু দোক্টরশিংনা য়াম্না ফজনা লায়েংবীবদগী পূম্নমক ফখ্রে। লৈবাক মীয়াম য়াওনা পূম্নমকপু তৌবীমল খঙবা উৎচরি। লোয়ননা তাইবং শেন্বা মপূবুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

মহাক্না হায়খি, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না রিপোর্ট ফংখিবা মতমদা থোইদোক্লা অৱাবদি লৈখিদে। অদুবু রিমসকী আইসোলেসন ৱার্দতা লায়েংদুনা লৈরিঙৈ মনুংদা লায়না অসি করিসু লৈতবা লায়না অমনি হায়না খনখি। মসিদগী হেন্না তমথিবা লায়না কয়া লৈরি। লায়না অসিনা ঙমহনবা য়াদে হায়না ৱাখল চাউথোক্লা লৈনবা হোৎনখি। মমাংদা অতোপ্পা মীওইদা শাওখিবা, নুংঙাইনদবা অমদি পেন্দবা কয়া লৈরম্বা অদু লায়না অসিনা নারুবদগী কনা অমদসু ৱারৌবা, শাউবা অমদি নুংঙাইতবা ফাওবগী ৱাখল লৈত্রে। মরমদি মীওইবা হায়বসি করিসু লৈবা নত্তে। মীকুপ অমদা অৱা-অনা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমা হেক্তা

…মখা লামায় ৩ কলম ৪

অন্ধ্র প্রদেশতা কেমিকেল প্লান্ট অমদগী গ্যাস লীক ওইরকপদা মীওই ১১ শিরে, ৫০০ হেন্না লায়কন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৭(এজেন্সী): অন্ধ্র প্রদেশকী বিশাখাপত্নমদা লৈবা কেমিকেল প্লান্ট অমদগী গ্যাস লীক ওইরকপদা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ১১ শিখ্রে। মীওই ৫০০ হেন্না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাস লীক ওইরকখ্রবা কেমিকেল প্লান্ট অদুদা এম্ব্যুলেন্স, ফায়র এঞ্জিন অমদি পুলিস পর্সনেল কয়া থুংলরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। বিশাখাপত্নমগী আর আর ভেঙ্কতপুরম খুঙ্গংদা লৈবা এল জি পোলিমরস ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদকী কেমিকেল গ্যাস প্লান্ট মনাক নক্লা লৈবা খুঞ্জাশিংনা মীৎতা কা হেন্না অশাবা ফাওবগা লোয়ননা নীংশা হোনবদা নুংঙাইতবগী ৱাফম ফোঙদোক্লরকখ্রে।

চাউরাক্লা খুঞ্জা ১,০০০ রোম্না খূদোংচাদবা মায়োক্লবগী ৱাকৎ লাকখ্রবা মতুংদা মীওই চা কয়া হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়না গ্রেটর বিশাখাপত্নম ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা ফোঙদোকখি। কেমিকেল গ্যাস প্লান্ট অদুগী মনাক নক্লা লৈবা মীওই পূম্নমক ময়ূম-ময়ূমদগী মপান থোরক্তনবা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়খ্রে মদুদি, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স অমদি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ওফিসলশিংগা ৱারী শানদুনা বিশাখাপত্নমদা থোকখিবা থৌদোক অসিগী ফীভম কুপ্পা য়েংশিল্লি। মফম অদুদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক অশোয়-অঙাম থোকহনবীদনবা তাইবং মপূদা থৌনীজরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং খূদোংথিবা নংহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিষন রেদ্দিনসু অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ সেক্রেটরি অমদি দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসকা ৱারী শানদুনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনখ্রে। নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)তা মতেং পাংবগী থবক খূদক্তা পায়খৎনবসু খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী এম পি রাহুল গান্ধীনসু অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়খ্রে মদুদি, বিশাখাপত্নমদা লৈরিবা কোংগ্রেস ৱর্কর অমদি লুচিংবশিংনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

গ্যাস লীক ওইরকখিবা প্লান্ট অদু কুমজা ১৯৬১দা হিন্দুষ্টান

…মখা লামায় ৩ কলম ৭

অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্তা কোভিদ-১৯গী কেস ১ থেংনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭(ঐচ এন এস): জিরিবামগা তায়নন্না লৈরিবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্তা কোভিদ-১৯গী কেস অমা ঙসি থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মীওই অদু লোকদাউননা মরম ওইদুনা অজমেরদা পন্দুনা লৈরম্বদগী বস তোংদুনা লাক্লগা ঙসি কছারদা থুংলখিবনি। মীওই অসি চিংনবা লৈবদগী সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মীওই অসি পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী কছার দিষ্ট্রিক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না সোনাই রেভিন্যু সর্কলগী এরিয়াশিং প্রিকোসনরি কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রে অমদি হায়রিবা মফম অসিদা কনাগুম্বা মীওইশিংনা মাংজৌননা পর্মিসন লৌদনা চঙথোক-চঙশিন তৌবদসু অথিংবা থমখ্রে হায়রি।

লৌথোক্লবা হোৎনবীয়ু

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস): লৈবাক পূম্বদা চথরিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা মণিপুরদা থোক্লকপা য়াদবদগী পন্দুনা লৈরকখিবা গুজরাত্তা মহৈ তম্বা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অথুবা মতমদা লৌথোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না গুজরাত্তা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী অহল-লমনশিংগী মীহুৎ আর কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

তখেল্লম্বম লৈকায়দা পাউমীশিংগা উনবদা মেঘচন্দ্রনা হায়খি, হোষ্টেলশিং থাদোক্তুনা চৎখিনবা মহৈরোয়শিংদা হায়রকপা লৈরে। হোষ্টেলগী মেসসু থিংলগনি হায়না থল্লকপা অসিনা হৌজিক অৱাবা ওইরি। লন্সকী মহুৎতা হেভি ব্রেক ফাষ্ট পীরগা তোক্লে। চান-থক্লবগী অৱাবা মায়োক্লুরে। ষ্টেট লৈঙাক্লা গুজরাত অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মণিপুরীশিং অথুবদা লৌথোক্লবা মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱে অমদি প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতা চেরোল থাবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.০৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৮৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৪২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৮

HL Poll

Q: Khudongthiningai oiraba Coronavirus ki laichat lakshinnaba athuba matamda vaccine puthoraklagani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: COVID-19 lakshinnabagi pandamda employee pumnamak Aarogya Setu App download touhallibasi achumba khongthangni khanbra?

Yes 66% No 34%

অস! লোইরেহে!

- ইতাউবী, লোইনা নোইখৎনরেদো !
- ꯏꯇꯥꯎꯕꯤ, ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯅꯣꯏꯈꯠꯅꯔꯦꯗꯣ !



- সোসল দিষ্টেন্সিংনিনা নোইবসিদি !
- ꯁꯣꯁꯦꯜ ꯗꯤꯁꯇꯦꯟꯁꯤꯡꯅꯤꯅꯥ ꯅꯣꯏꯕꯁꯤꯗꯤ !

অকিবা অমত্তা লৈত্রবজাৎলা তৌরিবা মতৌসিবু…!



লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বী অমদা মীওই অহুম তোংলগা কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ী থৌখিবা।
- পাউচে অসিগী রিদর অমনা থারকখিবা ফোটো

নারোন্দা ম্যান্মার চঙলুবা নুপী অনী ক্বারন্টিন তৌরগা থমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া-ম্যান্মার লৈবাক অনীগী ঙমখৈ পরিংশিংদা চঙথোক-চঙশিন তৌবা অথিংবা থল্লিঙৈ চৈরক্তা নারোন্দা ম্যান্মার চঙলুবা নুপী ২ ক্বারন্টিন তৌরগা থমখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা হৌখিবা মার্চ ১০ দগী ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনীগী ঙমখৈ পরিংশিংদা মীওই অমত্তা চঙথোক-চঙশিন তৌবা য়াহনখিদ্রবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা মতম খক্তনা অথিংবা থমদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ম্যান্মার চঙলুবা মোরেগী এস মোলজোল ভিলেজদগী নুপী ২ ঙসি নুংথিল নুমীৎয়ুংবা মতুংদা মোরে হোস্পিটালগী মেদিকেল টিম অমনা লৌখৎতুনা এম্বুলেন্সতা পুরক্লগা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টগী ইন্সপেক্সন বঙ্গলোদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমখ্রে।

হীরমসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, নুপী অনী অদু ম্যান্মারদা লৈহৌবা ইমুং-মনুংগী মী অনাবা য়াওরকপগী অনাবা হংবা চৎলুরগা মোরেদা হল্লক্তুনা এস মোলজোল খুনগী খুঞ্জাশিংনা খুনদা চঙহন্দনা থল্লগা মোরে হোস্পিটালদা পাউ পীবদগী মোরে হোস্পিটালদগী টিম অমা লাক্তুনা নুপী অনী অদু ক্বারন্টিন সেন্টরদা পুদুনা থমখিবনি হায়রি।

জুন-জুলাইদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং কা-হেন্না য়ামখৎলকপা য়াই : এইমস

ন্যু দিল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা লোকদাউন থমদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলবসু জুন-জুলাই থাদা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশিং কা-হেন্না য়ামখৎলকপা য়াই হায়না ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী দিরেক্টর রন্দীপ গুলেরিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

থা খরগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং কা-হেন্না য়ামখৎলক্লগনি হায়বা চেকশিন ৱারোল পীরদুনা এইমসকী দিরেক্টরনা হায়খি। লোয়ননা হায়রিবা মতম অদুদগী থা ২/৩গী মতুংদা তপ্না তপ্না ফীভম লাকশিনবা ঙল্লকপা য়াই। তানফম অসিদা লৈঙাক্লা ক্বারন্টিন সেন্টর অমসুং টেষ্টিং সেন্টর মরাং কায়না হাংদোকপা মথৌ তাই। কোভিদ-১৯গী কেস মশিং য়াম্বা মফমদা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপা চুমদে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মীপুম খূদিংমক সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপগা লোয়ননা লূ-নানবগী হৈনবী থমগদবনি অমসুং হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নদুনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনফম থোকই। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীপুম খূদিংমক্কী পুন্সিদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহল্লে। লুরবা তানফম অসিদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা চেকশিন-থৌরাং পুম্নমক মীয়াম্না শৌগৎপা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধননা হায়খি মদুদি, তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক্কী লেবোরেটরি ৩২৭ অমসুং প্রাইভেট লেবোরেটরি ১১৮দা নুমীৎ খূদিংগী

…মখা লামায় ৩ কলম ৫

অন্দ্রোদা য়ূম ১২গী পোৎলমশিং মাঙহন তাকহল্লম্বগী মায়োক্তা কম্মিসনদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭(ঐচ এন এস): মমাং থাগী ১০গী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদগী হৌরগা নুমিদাংদুগী নোংয়াই ফাওবগী মনুংদা অন্দ্রোদা য়ূম ১২গী পোৎলমশিং অমদি গাড়ীনচিংবশিং থুগায়দুনা মাঙহন-তাকহল্লম্বা থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা কমপ্লেন্ট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী কম্মিসননা কেস অমা লৌখৎলগা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরদগী রিপোর্ট কৌখ্রে।

কম্মিসনদা ৱাকৎলক্লিবা পিটিস্নর অদুগী মমিং কে ঐচ ফজতোন কৌই। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দ মনিংদা লৈবা য়ূঠস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী প্রসিদেন্টনি।

কম্মিসনদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুনা ফোঙদোকই হায়রিবনা থৌদোক থোকখিবা নুমীৎতুগী নুমিদাং অদুদা এক্স-মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, অন্দ্রো নগর পঞ্চায়টকী এক্স চ্যেরপর্সন এল লুখোই অমসুং এস দোরেন্দ্রো অমদি ৱাই সাজৌবনা লুচিংলক্লমগনি থাজবা নোংমৈ অমদি মী শিবা য়াবা খূৎশু-খূৎলায়শিং পায়বা মীওই খূৎপু অমনা অন্দ্রোগী য়ূম ১২গী পোৎলমশিং থুগায়দুনা মাঙহল্লমখি হায়রি। খূৎপু অদুনা থুগায়রম্বশিংদা য়ুমশিং অদুগী গেট, মিংশেল অমদি ইমুংগী পোৎলমশিংগী মথক্তা গাড়ী অচৌবা অমসুং মচাশিং য়াওখি। খূৎপু অদুনা নোংমৈ মৱ্দ কয়াসু কাপ্লমখি। থৌওং অসিনা মফম অদুগী মীয়ামদা অকি-তুজুংবসু পোকহনখি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দি জি পি, মণিপুর অমসুং এস পি/ইম্ফাল ইষ্ট অমদি অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর-ইন-চাজ´দা এপ্রিল ১৩দা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎপীনবা রিপোর্ট তৌখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং অমত্তা লৌখৎপীদ্রে। মরম অদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌনবা কম্মিসননা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়বসিনি।

পিটিসন অসি থা অসিগী ৫দা কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা লৌখৎতুনা

…মখা লামায় ৩ কলম ৭

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

থোকচোম বিরেন, নিংথৌখোং ৱার্দ-১৪

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী চৎথোক-চৎশিন য়াদনা মপান্দা ৱানা লৈরিবা মণিপুরীশিং ময়ুমদা হল্লকপা য়ারগনি অমদি হল্লকপদা তোংগদবা ট্রেনগী অতোংমল লৈঙাক্লা পুথোক্লগনি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগী য়ামদ্রবদা নুমীৎ ১৪ ক্বরন্টিন তৌবদসু নোংমগী লুপা২০০/২০০ পীগনি লোয়ননা ক্বরন্টিন তৌবদা চঙবা মেদিকেল ইক্যুপমেন্টশিংগীসু পৈশা লৌরোই হায়বনচিংবা ৱারেপ কয়া ষ্টেট অসিগী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা লৌখিবা অদু তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। মসিগী মতাংদা মীচম অমা ওইনা হায়জনিংবদি ইম্ফাল ফাওবা ট্রেন চেন্দবনা মপান্দগী হোঞ্জিল্লকপা মীওইশিং অসামদা অমুক পন্দুনা ৱানা লৈবা তারি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা ইম্ফাল ফাওবা য়ৌরক্লবসু শিনবিয়ু। তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দুকান হাংবা য়াহল্লবসু লোকদাউননা মরম ওইদুনা গাড়িশিং চেন্নদবনা কদাইদগী, করম্না পোৎচৈ পুনরক্তদৌরি। কা হেন্না ৱাশিল্লক্লবা মতম অসিদা পোৎচৈগী মমল অদুমক তাংনা লৈনবা তারিবরা? পোৎচৈ ফংদবা অমদি মমল তাংখৎলকপগী অৱাবশিংদগী কোক্লবা লৈঙাক্লা অকক্লবা পোৎচৈগী মমল লেপ্পিদুনা হোম দেলিবরি তৌহনবগী খুদোংচাবা পীহন্নিংই।



খুন্দোংবম লোয়াঙম্বা, হৈরোক

লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনগীদমক লোকদাউন তৌদুনা লাকখিবনি। মখা তানা অমুক লোকদাউন শাংদোরকখিবনা থবক শুফম নোমফম লৈতবা মীওইশিংদি খম থেংনা ৱাবা হায়বদু ওইরে। চৈরক অসিদা পোৎচৈগী মমলসু য়াম্না হেনগৎখ্রে। লৈঙাক্লা ফনা য়াম্না পোৎচৈগী মমল তাংনা য়োনবা য়ারোই হায়না লাউবিরবসু পোৎচৈগী মমল হন্থবা হায়বদু ওইদ্রি। অহোইনদুম পোৎচৈগী মমল হেনগৎলক্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিদুনা লায়রবা মীয়াম্না ৱারিবা অসিদগী শাফনবা অকনবা ফীরেপ অমা লৌবিয়ু। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মণিপুরীশিং মশা-মশাগী য়ুমদা হল্লকপা ঙম্নবা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিং থাগৎলি। অদুমকপু খোঙথাং অসিদা অকিবা অমদি নুংনাংবা ফাওদবসু নত্তে। গ্রিন জোন ওইরে হায়না মীপাইবা হন্থরবা মতম অসিদা অমুক হন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওরক্লগাদি হেন্না ৱাবা হায়বদু ওইগনি। লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা য়াম্না চেকশিনবগী মথৌ তাই। মণিপুরগা নক্লনা লৈরিবা বোর্দর এরিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু লায়না অসিনা নাবা মীওইগী মীশিং হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবকশিংদা মতেং পাংবগী মথৌ তাই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

লোকদাউনগী কাঙলোন মপূং ফানা চৎনহনগনি : চীফ সেক্রেটরি

ইম্ফাল, মে ০৭(ঐচ এন এস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবা লোকদাউনগী কাঙলোন মপূং ফানা চৎনহনগনি হায়না চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল্দ সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা চীফ সেক্রেটরিনা হায়খি, মার্চ ২৫দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা পীরকখিবা য়াথং মতুংইন্না মণিপুরদসু ষ্টেট লৈঙাক্লা লোকদাউন থমদুনা লাক্লি। মতম-মতমগী মতুংইন্না অকক্লবা হীরম খরদা কোমথোকপগা লোয়ননা লোকদাউনগী মতম শাংদোকখি। মণিপুরদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈতবা তারবসু অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট খরদা কেস মশীং হেনগৎলকপা অমসুং তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা মীওইশিং ষ্টেট অসিদা হল্লকপা মরম্না কেবিনেটকী ৱারেপ মতুংইন্না লোকদাউন থম্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর অমদি কেবিনেট মিনিষ্টর পুম্নমক্না মতম-মতমগী ওইবা ফীভম কুপ্পা য়েংশিল্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, চীফ মিনিষ্টরনা চ্যেরমেন ওইবা ষ্টেট কন্সল্টেটিভ কম্মিটি অমা শেম্লে। কম্মিটি অসিদা মিনিষ্টর, এম এল এ, ওফিসল অমদি শক্লাইরবা সিটিজন কয়ামরুম য়াওরি। চীফ সেক্রেটরিনা চ্যেরমেন ওইবা ষ্টেট টাস্ক ফোর্সনা নুমীৎ খূদিংগী মীফম পাঙথোক্তুনা মথংগী নুমীৎতা পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী থৌশিল শেল্লি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিটিশিংনসু মীফম পাঙথোক্লগা ষ্টেট টাস্ক ফোর্সকী ৱারেপ পুম্নমক থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। হৌখিবা থা ২ রোম ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্ট, হেল্থ দিপার্টমেন্ট, পুলিস দিপার্টমেন্ট, ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমদি ইসেন্সিএল সর্ভিসকা মরী লৈনবা অতৈ দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্লা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অনী লৈরল্লবসু নীংথিনা লায়েংলগা ফহনবা ঙমখ্রে। অতৈ অতোপ্পা এজেন্সী কয়াগা খূৎশম্নদুনা হৌজিক ফাওবা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকহন্দবা ঙম্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, চীফ সেক্রেটরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (রিলিফ), প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ), এ দি জি পি (লো এন্দ ওর্দর), কম্মিস্নর (ৱর্ক্স) অমদি অতৈ সিনিয়র ওফিসলশিং

…মখা লামায় ৩ কলম ৭